থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ফিলোজোফর অনীগী ৱারী

‘নঙোন্দা মীনা তৌহন্নীংদবা থবক্তু নহাক্নসু অতোপ্পদা তৌরুনু’... পাউরৌ ওই, পাউতাক ওই’ হায়নরকপা ৱাহায়সি অদোমসু তারম্লগনি। করম্বা ফিলোজোফর নৎত্রগা স্পিরিচ্যুঅল লীদরনা কদায়দা ইহান হান্না হায়খিবনো- হায়বদুদি কনানসু অতম্লনা থিরুদে। খঙবীবসু য়াওরমগনি, লাইরিকশিংদা থেংনরম্ল’নি। অরিবা মতমগী চাইনিজ ফিলোজোফর-থিঙ্কর, চাইনীজশিংগী পুন্সি অমসুং খুন্নাইদা খ্বাইদই চাউবা মফম অমা কন্দুনা লৈ খন্নবা ‘কনফ্যুসিয়স’-না লীংখৎলম্বা ‘কনফ্যুসিয়নিজম’ হায়বা পুন্সিরোল মখল অদুগী মরুওইবা ফিলোজে াফিনি। কনফ্যুসিয়নিজম হায়বসি লাইনিং-লম্বী (ধর্ম্ম) অমদি নত্তে। মখোয়না থাজবা লাই অমা লৈতে। কনফ্যুসিয়সপু স্পিরিচ্যুঅল লীদর অমা ওইনবুদি ইরাৎলি, লাই অমা ওইনদি ইরাৎনদে। ঐখোয়না মুন্না খন্থরুদবা, মৈতৈশিংগী সনামহীজম’গা কনফ্যুসিয়নিজমগা মান্নবা খরা লৈরম্মী। মদুদি- ইপা-ইপুশিংবু লাইগুম্না ইরাৎপা। ঐখোয়গী ‘লাই-নিংথৌ’ (সনামহী) অমদি ‘ইপু-নিংথৌ’ (ইবুধৌ, মপা খঙবা পাখঙবা)- ব্রহ্মা-বিষ্ণু-মহেশ্বরগুম শেম্বীবা, য়োকপীবা, মাঙহনঙম্বা লাই নত্তে। ঐখোয়গী ইপা-ইপুদুনি। ঐখোয়গী লাইনিং পরৈ, অতৈ লাইনিং পুম্নমক্তই তোঙাল্লি। ইমুংগী লাই, লৈকায়গী লৈকায় (লম-লাই)- লাই মখল অনী থোকই। কম্যুনিটি দিভেলপমেন্ট কন্সেপ্ট, লাইনিং-পরৈ মশকসিদা মমি তাই। তরানিপানশুবা চহীচাদা হিন্দুইজমদা ওনশিনখিবদগী, তোৎশিন্নবা রিলিজিয়স কলচর অমা থোক্লকখিবনি লমসিদা।

ৱারেংসিগী পান্দম- রিলিজনগী কম্প্যারেটিব-ষ্টদি অমা তৌনিংলুবা নত্তে। ধর্ম্ম-কর্ম্মগী ৱাখল খল্লুবদা নীংশিংলকপা চাইনিজ ফিলোজোফর অনীখক্কী ৱারী মতেক অমখক লীনিংলকপনি, অপাবশিং নুংঙাইগদ্রা খন্দুনা। হান্ননা পাখ্রবা/তাখ্রবা ৱারী ওইরম্লি- অকাউ পরৈ চনখ্রবা ! চুম্না নীংশিংজবনি। অহানবগী কনফ্যুসিয়স ! খঙনৈ, তানৈ অয়াম্বনা। অদুবু, অনীশুবা মিং- ‘লাও জু’- অয়াম্বনা খঙনদে। ইতিহাসকী লাইরিকশিংদসু পোপ্যুলার ফিগর ওইরমদে। ‘লাওজি’ হায়নসু খঙনবা, ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক ‘ওল্ড-মাষ্টর’ (অহল ওইরবা গুরু) হায়বনি। পোকপা-শিবগী চপ-চাবা শোক-তারিখ কনানসু নীংশিংনদ্রবসু, খৃ: মমাঙ মরী-মঙাশুবা চহীচা অদুৱাইদা পোকখিবা অমসুং শিখিবা, চাইনিজ ফিলোজোফর অমনি শীংথানৈ। ‘তাওইজম’ হায়বা ৱাখল্লোন অদুগী মরূ হুনখিবা লাইরিক ‘তাও তে চিং’ হায়বদুগী অইবনি। তরুকশুবা সেঞ্চুরি বি সী’দা ‘কনফ্যুসিয়স’ অমদি ‘তাও জু’ অনীমক থংমুং-নাউমুংমিন্নবা ফিলোজোফর ওইনা হিংমিন্নখি হায়না লাইরিক খরদা ইরম্বা থেংনৈ। কনাগুম্বা অইব’না মরিশুবা সেঞ্চুরিদনি হায়বসু য়াওই। অচুম্বদু করম্বনো হিষ্টরিয়নশিংনা নৈনজরসনু। অফাওবা ফিলোজোফর অনীসি উন্নখিবগী নুংঙাইবা ৱারী মতেক অমখক থেংনরকখিবদু তমজনীংদুনা ইরুবনি ৱারেংসি। কনফ্যুসিয়সতি মতমদুদা, মহাক্কী তুংইনবা (খোঙলোয়) কয়াগা লোয়নদুনা মফম খূদিং চৎলিবা, মমিং চৎলিবা গুরুনি। মহাক্কী ৱা তাগদবগী শিষ্য কয়ানা লাংতক্লনা তুংইন্নরিবনি। অদুগা, অমরোমদা- তাও জু ! মদোম তূমিন অচিকপদা লৈরগতা পেঞ্জবা, কনানসু মহাক্কী মৱা তাবীদবা, মমিৎ উইশিন’-ৱাখলদা তাউরগা লৈজবা গুরু ! তুমীন লৈজরবসু ‘তাও-জু’গী অঙকপা মতীক মগুন, পাক্লা শন্না তানরকখি। কনফ্যুসিয়সকী নাকোং য়ৌরকখি। নোংমা, কনফ্যুসিয়স’না মহাক্কী তুংইনবশিংদা লেকচর পীরিবা মফমদুগী মনাক নকপা শুরুং অমদা ‘তাও জু’ ধ্যান তৌদুনা লৈরে তাবদা, মহাক্কী তুংইনবা খরগা লোয়নদুনা ‘তাও জু’ উন্নবা লাক্লম্মী।

‘নখোয় শুরুংসিগী মপান্দা ঙাইরম্মু, ঐহাক মাগা উন্নরুখিগে’- কনফ্যুসিয়স’না তুংইনবশিংদা হায়খি।

‘করিগীনো গুরুদেব? গুরু অনীনা শানবা ৱারীদু তাজহৌগে ঐখোয়সু, পূক্কিং লৌশিং ওইগনি’।

‘ঐনা নখোয় লাকখিগনু হায়রিবগী মরম লৈ, কোন্না হায়গে মরমদু... নখোয়সু তাবা য়াবা মতাং য়াওরক্লবা, কৌশিল্লক্কে নখোয়বু’ হায়রম্লগা চঙখরে কনফ্যুসিয়স। তুংইনবশিং মপান্দা ঙাইহৌরে।

‘লাও জু’- শুরুংদুগী মনুংদা মদোম তূমীন ফম্লম্মী। কনাগুম্বা অমা চঙলকপগী খোঙথাং/শাহুম ফংলবদসু হৌগত্তুনা তরাম্না ওক্লদবা, ফম্মু ফাওবা হায়রদবা মতৌদুদা কনফ্যুসিয়স ৱারৌরম্মী। ‘সার!, নয়ুমদা লাকপা মীথুং’বু তরাম্না ওক্কনি খন্দবা- ’সিবু করম্বা লীচৎনো’?

মোমোন নোক্লা ‘লাও জু’না খুম্লকখি, ‘অদোমদি হৌন-লোনচৎ নীংথিনা খঙবা মীশক্লি- ঐনা হায়বা/হায়দবা খেন্নববু করিনো? ফম্লগা নৎত্রগা লেপ্লগা ৱারী শাবা- অপাম্বনি অদোমগী’।

‘অদুবু, নয়ুমদা থুংলবা মীথুং অমবু তরাম্না ওকপা, মীওক-ৱাহৈ অমত্তসু নচীন্দগী তাদনা ঐনা করম’ ফমগনি?

‘খোঞ্জেল থোক্তবা ৱাহৈনা ওকখ্রে অদোমবু ঙসাইনা। অদুবু, অদোমদি চীনবান্না ফোঙবা ৱাহৈগী লোন নত্তনা অতোপ্পা লোন অমত্তসু খঙলমদে- কয়াদা লাইবক থীখ্রবা ! কনাগুম্বা অমা থেংনরগা, মঙোন্দগী অদোম্না করিগুম্বা খরা আশা তৌই- ‘করিগুম্বা খরা হায়রক্কনি’... ফম্মু হায়রত্ত্রগদি অদোম ফম্বা ঙমদবরা... হায়রগতা ফমদৌরিবা করিগীনো?... শুরুং অসি ঐগী নত্তে। ঐনা লাকপা মতমদা, মফমসিদা কনামত্তা লৈরমদে কনামত্তনা ঐঙোন্দা ফম্মু/হিপ্পু হায়রকখিদে। মফম অসি হৌজিকসু ঐগী নত্তে, হোরেন/হয়েং চৎখিবা য়াই মফম অসি থাদোক্তুনা- নহাকপু মফমসিদা চঙলকউ নৎত্রগা ফম্লোলাউ হায়ননবা ঐগী হক লৈতে, ঐনা ফম্লিবা অসিগুম নহাকসু ফম্বা য়াই... তূমগে/হীপকে ননীংনি, নহাক হৌজিক অঙাং নত্তে’।

কনফ্যুসিয়স’না মমাঙদা, মহাক্লুম্বা নুপা অমগা অমুক্তসু উন্নখিদ্রি, মহাক্কী মথক্তা ওনখৎতুনা ঙাঙবা ঙম্বা। ‘লাও জু’না মখা তারকখি, ‘নহাক্লা পুন্সিসিদগী করিগুম্বা খরা তম্নীংলবদি, নঙোন্দগী করিগুম্বা খরা তমগে লাক্লিবা মখোয়দু ননাক্তগী হান্না তান্থোকখো... অপঙবশিংদুগী মফমদা নহাক্তি করিসু খঙলমদ্রে হায়বা অচুম্বনি হান্না অমুক্তা খঙহনখো... ঐনা লৈরিবসি খঙদবা কনাগুম্বা অমদা করিগুম্বা খরা খঙহন্নবনি, পূমখঙ খঙলবা অমদা করিবু তম্বীরুদৌরিবনো... ঐদি অহল ওইরবা, করিসু খঙদবা মী অমনি, ঐবু নাইতোম লৈহল্লু’...।

মপান’-থোরক্লগা, মাগী তুংইনবশিং অদুদা ‘ঐহাক করিসু খঙলমদ্রে’ হায়দোক্লবা থৌনা কনফ্যুসিয়সকী মফমদা লৈতরে। মখোয়বু শুরুং মনুংদা করিগী কৌশিল্লক্তবনো হংবদা কনফ্যুসিয়সনা খুমখি... ‘মনুংদা লৈরিবা অহল অসি য়াম্না তমথীবা অহলনি, মনাক নক্লুবা য়াবা নত্তে’।

# তগৎ-তগৎ তেকপা মনা-মশিং

লৌশিং পুক্কে

## চাবগী মওং মতৌ অমদি কান্নবশিং খঙজিনসি



মনা মশিং হিংনা চাবনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহ-নবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা কান্নবা ন্যুট্রিয়ন্ট পুম্নমক হকচাংনা লৌশিনবা ঙম্মী হায়না মীওই অয়াম্বনা থাজনৈ। অদুবু ইরিটেবল বাৱেল সিন্ড্রোম (আই বি এস) নৎত্রগা অতৈ দাইজেষ্টিভ প্রোব্লেম মায়োক্লবা মীওইশিংদি অহিংবা মনা মশিং অমত্তা চারোইদবনি হায়রি।

অহিংবা মনা মশিং চাবনা তুম্বা ঙমদবগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লহল্লকপা য়াই। ইটলিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বোলেগনাগী প্রোফেসার জিওবানি বারবরানা হায়খি, চীঞ্জাক মখল খুদিংমক থোংলবা মতুংদা হকচাংনা তুমহনবদা লায়না থোকই। মনা-মশিং ওইরবসু থোংলগা চাবনা ফবা হেল্লি। খ্বাইদগী ফবদি থাউদা তাউবা-ঙৌবগী মহুৎ ইচম চম্না ঈশিংদা ফুৎলগা চাবনি।

মনা মশিংদা পকপা মহিক মতাই পুম্নমক থোংবদা লোয়না শিখিবা মরম্না চাবদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইদে। ঈশিংগী মতাংদদি লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং থকপনা খ্বাইদগী ফবা হেল্লি। কালেনথাগী শারবা মতমদা ওইরবসু রেফ্রিজরেটরদা হাপ্পা অঈংবা ঈশিং থকপগী মহুৎ লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং ওইনা থক্কদবনি। মসিনা চাবা তুমহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা খোঙ হাম্বা নুংঙাইহল্লি। লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং থকপনা ঈগী ঈচেল ফগৎহনবগা লোয়ননা হকচাং মনুংদা তুংশিন্দুনা লৈবা অমোৎ অকায় অমদি ফেট পুম্নমক লৌথোকখিবদা মতেং পাংই।

খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা অমসুং পূক নাবগী থৌওং অসি অয়াম্বা মতমদা ঐখোয় ঐখোয়না চাবা থকপগী মওং মতৌগা নক্লবা মরী লৈনৈ। চাবা থকপগী মওংদা অশোয়বা লৈরবদি ইরিটেবল বাৱেল সিন্ড্রোম (আই বি এস) ওইহল্লকই হায়রি।

লার্জ ইন্টেষ্টাইন (কোলোন) দা অশোয়বা লৈরকপদগী খোঙ হামথবা, পূক নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, পূক নুংশিৎ কাবা নৎত্রগা পূক কংখৎপগী থৌওংবু ইরিটেবল বাৱেল সিন্ড্রোম হায়না খঙনৈ। মীওইবগী ইন্টেষ্টাইনদা মহিক মশিং থীঙমদনা লৈ। মসিনা চাবা তুমহনবদা মতেং পাংলিবনি। হায়রিবা মহিকশিং অদুদা অকায়বা পীগদবা থৌওং লৌখৎলুরবদি ইরিটেবল বাৱেল সিন্ড্রোম ওইহল্লকই। ইটলিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বোলোগনাগী প্রোফেসার জিওবানি বারবরানা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমগী ইন্টেষ্টাইনদা লৈবা মহিক হেনগৎলকপা নৎত্রগা হন্থরকপা মতমদা ইরিটেবল বাৱেল সিন্ড্রোমগী খুদোংচাদবা থোকহল্লকই।

মহাক্লা হায়খি, ইন্টেষ্টাইনদা লৈরিবা মহীকশিংগী মনুংদা কান্নবা অমসুং কান্নদবা হায়দুনা মখল অনী খায়দোকই। কান্নদবা মহীক মশিং হেনগৎলক্লগা কান্নবনা মশীং হন্থরকপা মতমদা ইরিটেবল বাৱেল সিন্ড্রোম ওইহল্লকই।

হকচাংদা অনাবা অমা লৈরকপা মতমদা ফহন্নবনি হায়দুনা চারিবা এন্টিবাইওটিক্সনা ইন্টেষ্টাইনদা লৈবা অফবা মহীক হাৎতোকখিবদগী খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপসু য়াওই। য়ুরোপিয়ন সোসাইটি ওফ ন্যুরোগ্যেষ্ট্রোএন্টরলোজি এন্দ মোর্টিলিটিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা জিওবানি কারবরানা লুচিংবা রিছার্চর কাঙবু অমনা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফ্লোরিদাগী মনুং চনবা ময়ামিদা পাঙথোকখিবা গট মাইক্রোবাইওটা ফোর হেল্‌ঠ ৱর্ল্ড সমিটদা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি পুথোরকখি।

লার্জ ইন্টেষ্টাইন (কোলোন) দা অশোয়বা লৈবদগী ওইহল্লকপা ইরিটেবল বাৱেল সিন্ড্রোম হায়বসি মীওইবনা তোয়না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা অমনি। মসিনা মরম ওইরদুনা পূক নাবা, নুংশিৎ কাবা, পূক কংখৎপা, খোঙ হামথবা নৎত্রগা খোঙ হাম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লহল্লকই। চাবা থকপগী মওং শেমদোকপগা লোয়ননা পুন্সি মহিং হোংদোক্লবা মতমদা ইরিটেবল বাৱেল সিন্ড্রোমগী লায়ওং তপ্পা তপ্পা হন্থরকই। কনাগুম্বা মীওই খরদি হীদাক লাংথক চাবগী মথৌ তাবসু য়াওই।

লায়ওং উৎথোরকপদা মী অমগা অতোপ্পা মীওই অমগা মান্নদে। খ্বাইদগী তোয়না উৎথোরকপা লায়ওংশিংদি পূক নাবা, নুংশিৎ কাবা, পূক কংখৎপা, খোঙ হামথবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অমসুং খোঙ হাম্বদা অনঙবা মহী য়াওরকপা অসিনচিংবনি। লায়ওং হায়রপ মান্নবা অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়ামরুম লৈবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা ডোক্তর অমগা তান্নবা মথৌ তাই। খুদোংচাদবা অসি মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি মনা মশিং হিংনা চাদবা, য়ু থক্তবা, মৈখু শীজিন্নদবা, চাবা থকপগী মতম নাইবা, হকচাং শাজেল তৌবা, ঈশিং মরাঙ কায়না থকপা অমসুং তুম্বা অমদি য়াহৌবগী মতম নাইবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# লৈঙাক্কা লোয়ননা চৎমিন্নরবদি পূম্নমক য়াইফমিন্নবা হায়বদু ওইগনি : এম এল এ রোবিন্দ্রো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর লৈঙাক্লা হীরম খুদিংদা অওনবা মণিপুর অমা পুরক্লবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা মণিপুর মীয়াম্নসু মাগী-মাগী ঙমজবা থাক্তা হীরম কয়াদা হোৎনরক্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা ঙা মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনরিঙৈ অসিদা সমৱরধিনি ন্যাস মণিপুর প্রান্ট (এস এন এম পি) কৌবা ঙাগী মচিঞ্জাক্কী ওইবা ফিদ সপ্লাই ওফিস অমা কৈশামথোং অহন্থেম লৈকায়দা হাংদোরকপা অসি ঐখোয় পূম্নমক্কী ওইনা য়াম্না কান্নবা অমা ওইরগনি হায়না ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ অমদি মনিদকোগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা কোংখাম রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।



কৈশামথোং অহন্থেম লৈকায়দা নৌনা হাংদোকখিবা সমৱরধিনি ন্যাস মণিপুর প্রান্ট (এস এন এম পি) ফিদ সপ্লাই ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফিসরিজগী লৈঙাক্কী ওইবা দিপার্টমেন্ট অমসু লৈদুনা মপান্দগী ঙা লৈবদা লুপা ক্রোর ৪০০ হেন্না মপান্দা চৎলিবা অসি মখা তানা তৌদনবা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়াগী মনুংচন্না ইরমদমগী ওইনা ঙা মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনরি। অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং পায়খৎলিঙৈ চৈরক অসিদা তোঙান-তোঙানবা ফার্মশিংনসু থৱায় য়াওনা ঙা মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনরকপদা থৱায় হকচাং য়াওনা থবক ওইনা পাঙথোক্লরক্লিবসি অফবা খুদম অমনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী য়াম্না চম্না ফিদ সপ্লাই ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ফিদ সপ্লাই এস এন এম পিগী লিদর এন মায়ানা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিগী লৌমীশিংনা ঙা য়োকপা অমদি য়েন লোয়বনচিংবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অনা-অয়েক য়াওরকপনচিংবদা মতৌ করম্না মায়োক্লগনি, করম্বা হীদাক-লাংথক শীজিন্নগনি হায়বনচিংবা হংজবা য়ানবগীদমক টোল ফ্রি নম্বর অমসু কৈশামথোং অহন্থেম লৈকায়দা ঙসি হাংদোক্লিবা ফিদ সপ্লাই ওফিস অসিদা মথৌ তৌবা হৌরে। হায়রিবা টোল ফ্রিনম্বর অসিদা অয়ুক্কী পুং ১০দগীনা নুংথিলগী পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা লৌমীশিংনা ফোন তৌবিরক্তুনা খঙনিংবা পূম্নমক খঙবা য়ারগনি। লোয়ননা ঙা মচিঞ্জাক মপান্দগী পুশিল্লকপা অসিদা সোর্টেজ ওইদনবগীদমক মন্ত্রিপুখ্রিদা ঙাগী মচিঞ্জাক ষ্টোক তৌদুনা থম্নবগী গোদাউন অমসু হাংদোক্তুনা লৈরে। লৈঙাক্লা পীরিবা সবসিদি য়াওবা লোনশিং পীরিবা অসিদা লৌমীশিংদা মফম চানা য়ৌহন্নবা থবকসু পাঙথোকপা হৌরে। মরম অদুনা লৌমীশিংনা হায়রিবা ফিদ সপ্লাই ওফিসনা পীরিবা কান্নবশিং অসি লৌবিদুনা চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদবা অমদি মরোম লেপচবা ঙম্বা চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইবা ঙম্নবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ষ্টেট কো-কনভিনর এস এন এম পি ইন্টরনেসনল অমদি নেসনল এৱার্দি ওইনাম ইন্দিরা, ফিদ সপ্লাই এস এন এম পিগী লিদর এন মায়াগী মপুরোইবা শক্লাইরবা শৈশকপা রনবির থৌনা অমদি হীরম অসিদা মথৌ পাঙথোক্লিবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী এস এন এম পিগী ষ্টেট কো-কনভিনর ওইনাম ইন্দিরানসু ফিদ সপ্লায় ওফিস অসিনা পাঙথোক্কদৌরিবা থবক থৌরমশিং অমদি লমদম অসিগী লৌমীশিংদা ফংহনগদৌরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

# মপোক নুমীৎ পাঙথোক্তুনা লাইফ টাইম এচিভমেন্টগী মনাসু লান্থোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) :

ইরমদম শৈশক লূপ (ঈশৈলূপ) খা মণিপুরগী ৯শুবা মপোক নুমীৎ থৌরমগা লোয়ননা মেরা হৌচোংবা (ইন্টিগ্রেসন দে)গী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা লাইফ টাইম এচিভমেন্টকী মনাসু লান্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোং মনিং অৱাং লৈকায়দা লৈবা ৱাই দি সী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

লেটস য়ুনাইট টুগেদর ফোর বেট্টর মণিপুর হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এম এল এ অমদি মণিপুর ষ্টেট ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চ্যেরপর্সনসু ওইরিবী সোরাইশম কেবীনা অথোইবা মীথুং, হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নামনা অখন্নবা লেংবীরকপা, ৱাবগাই এ সীগী এম এল এ অমদি মণিপুর ষ্টেট পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরপর্সন ডা. উশম দেবেননা থৌরম মপু অমদি ককচিং জিলা পরিষদকী অধক্ষ্য ফুরিৎশাবম জিতেননা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম অমা ওইনা ঈশৈ অমসুং ম্যুজিক্কী লমদা কখোকপা অমগা লোয়ননা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা শক্লাইরবা শৈশকপা-শৈশকপী কয়া পুথোক্তুনা লাক্লিবা য়াইখোম ইবোচৌদা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট মনা (মতম ঈশৈ) অমসুং য়ুম্নাম অঙাংয়াইমাদা লাইফ টাইভ এচিভমেন্ট মনা (ম্যুজিক) ঈশৈলূপকী মায়কৈদগী মনাশিং অসি পীদুনা ঈকায়খুম্নবগা লোয়ননা পূক্লিং থৌগৎখি।

# অহল-লমনগী পোত্থাশঙদা পোৎলম কয়া খুৎশিন্নদুনা লায়ন্স সর্ভিস দে থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) :

লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল অমদি লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল নোর্থকা খুৎশম্নদুনা লায়ন্স সর্ভিস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী সেক্রেটরি লায়ন মানস মাইস্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লায়ন্স সর্ভিস দে থৌরমগা মরী লৈননা ক্লব অনী অসিনা অৱাং ৱাবগাই হেল্‌ঠ এন্দ ৱেলফ্যের সেন্টরগী কেম্পতা লৈবা অহল-লমনগী পোত্থাশঙদা চৌক্রি, দষ্টবিন, কেরোম বোর্দ অমদি এল ঈ দি ব্লবনচিংবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি। লায়ন্স সর্ভিস দেগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা লায়ন দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দিগী পাষ্ট দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর লায়ন ঐচ মনিকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লায়ন্স ক্লব অসি কুমজা ১৯৭০গী জুন থাদা মেলবিন জোন্সনা হৌদোক্লবা তুংদা মসিগী ইহান হনবা কনভেন্সন অদু চহী অদুমক্কী ওক্টোবর ৮দগী ১০ ফাওবা টেক্সাসতা পাঙথোকখি। হায়রিবা নুমীৎ অসিবু নীংশিংবা ওইনা মালেম অসিদা লৈরিবা লায়ন্স ক্লব পুম্বনা লায়ন্স সর্ভিস দে হায়দুনা মীওইবা খুন্নাইগী কান্নবা থবক পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট লায়ন ডা. পি ব্রজমনি অমদি লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল নোর্থকী পাষ্ট প্রসিদেন্ট লায়ন এন রঘুমনিনচিংবনসু ৱা ঙাংখি হায়রি।

Escent Institute of Paramedical Sciences & Skill Development

POST VACANCY
We are hiring!

ESCENT INSTITUTE OF PARAMEDICAL SCIENCES & SKILL DEVELOPMENT

| Post | Qualification | Experience | Remuneration | No of vacancies |
|---|---|---|---|---|
| Asst. Professor | Master in Pharmacy (Pharmaceutical Chemistry) | Minimum 1 Yr | Negotiable | 1 |
| Asst. Professor | Master in Pharmacy (Pharmacology) | Minimum 1 Yr | Negotiable | 1 |
| Asst. Professor | Master in Pharmacy (Pharmacognosy) | Minimum 1 Yr | Negotiable | 1 |
| Lecturer | Bachelor of Pharmacy | Minimum 1 Yr | Negotiable | 4 |

+91 8798 991 710
/EscentDiagnosticsCentre
EscentMedicare@gmail.com

YOU CAN SUBMIT YOUR UPDATED RESUME AT THE HEAD OFFICE

Escent Diagnostics Pvt. Ltd.
A promise to care
Nongmeibung Purana Rajbari, Imphal East, Manipur 795005
Regd. No.: MNHCR/NO/096/DC/2012
NABL Accredited MC-2635

HL-P/4164/9,10

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।১০।২০২২ ইং, নিংথৌকাবা;
মেরাগী ১৬ পানবা।

মেষ: লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি-অহৈ অশিং শাগনু অমদি অরুবা খন্নবা য়াওবদা তাবদং ওইয়ু। নুংথিল ফাওবা লাইবক ফৈ, শেন্দোং লৈগনি, মরুপ্পা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: থবক পাঙগনি, শেল থুমগী লমদসু কান্নগনি, হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, মীয়ামগা মরী ফগৎকনি। অদুবু অনম তাল্লবা অমদি নোল্লুকপা হৈত্রদি শাওনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিথুন: থেংলপ্পা মীপায়রম্বা কোকচগনি অমদি কান্নবা খরদি ফংগনি। মরুপ মপাংশিংনা হান্নগুম চানবী অমদি অফবা মীংচৎ ফংজগনি। ফিংবা/শাওগৎপদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা অমদি ঙাঙ-শকপা হৈবা নুমিৎনি। নথক থোংবনা চানবী, লৌশিং ফুদোকপা ঙমগনি। অফা-অপুনগী লমদদি য়েৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না পামশিনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

সিংহ: নুংথিল ফাওবা নীংবা থুংবা অমদি শেন্দোং ফংগদবা খোঙশাল লৈ- চিংনদনা খুৎচাও থাহৌবা য়াগনি। পাংঙমদবা পাঙবদগীসু কান্নবা ফংই। হুনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি। কোক শাবা খরা হান্নগুম লৈরসু নক্লবশিংগী মতেংনা অরুবা থবক পাঙগনি অমদি মীনা কিনৈ। নাপলদি লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: থেংলপ্পা মতম মাঙবা ফগনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, মীংচৎ ফংগনি। অয়াম্বা থবক্তা থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি। য়েৎনবা য়াবা মরমদদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি-খাঙবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোকয়

বৃশ্চিক: য়েৎনবা অমদি খৎনবা লৈরম্বসু ফরনি। নচা-ননাই/নহৈগী লমদা থোইনা কান্নগনি। লমদগী কান্নবা, পাউ নুংঙাইবা তাজবা ফংগনি। খুৎতি চাওখিনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা ঙায়খো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: নুংথিল ফাওবা ওইজবা য়াম্না ফংগনি, অনৌবা থৌরম পাঙবদা শোয়দনা মায় পাক্কদবা খোঙশাল লৈ। পাঙগে খনবা থবক্তা মীকোক থোংগনি, নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লুনা তৌবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মকর: নুমিদাংৱাইরমদা নীংবা থুংগনি, ওইজ-ওইথক ফংগনি। ফংবা য়াবদি পনগনি, য়েক্লবনা নথক থোংবদা লান্না পাউথোকপিবা য়াবা লৈ-ৱাঙাং/শাজৎ হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কুম্ভ: নুংথিল ফাওবা নীংবা থুংবা, অনৌবা থৌরম পাঙবা য়াবা অমদি ৱাখল থোকপা লৈগনি। পল্লম্বা খরসু ফংবগী নুংঙাইজবা অমদি লৌশিং চাওবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: থেংনা নুংঙাইবা, য়েক্লববু ঙমজবা অমদি অনৌবা আশা লাক্কদবা নুমিৎনি। নচাক নরল চেকশিল্লু। তুংদা কান্নরক্কদবা মীদা মতেং পাঙথোকহৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ইশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।